# এন দি এ গভর্ণমেন্ট লাকপদগী অৱাং নোংপোক্কী বজেট শরুক অনীরোম হেনগৎখি: গঙ্গপুরম

অগরটালা, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সি):

এন দি এ গভর্ণমেন্ট লাকখিবদগী হৌখিবা চহী নিপানগী মতমদা অৱাং নোংপোক লমদমগী বজেট শরুক অনীরোম হেনগৎখি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্ট রিজন গঙ্গপুরম কিষন রেদ্দিনা শগোলশেল নুমিত্তা রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখ্রে।



নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী ফন্দগী স্যেরগী মতাংদা ট্রিপুরাগী রাজ্য সভা এমপি বিপ্লব কুমার দেবনা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, মদুদি মোদি গভর্ণমেন্টনা পৱার পায়রকখিবা মতমদা অৱাং নোংপোক্কী বজেট লুপা ক্রোর ৩৬,০০০ রোম ওইরম্মী। ঙসিদি অৱাং নোংপোক্কী বজেট লুপা ক্রোর ৬৮,০০০ ওইরে।

ট্রিপুরাদা পীফম থোকপা ফন্দশিং অসিগী স্যের চাদা ১২ মক ষ্টেট অসিনা ফঙখিব্রা হায়বদু দেবনা মিনিষ্টরদগী খঙবা পামখি। দেবগী ৱাফম অদুগী পাউখুম পীরদুনা রেদ্দিনা হায়খি, মদুদি ট্রিপুরাগী মীশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা এন ই সিগী অপুনবা স্যেরগী চাদা ১২ ষ্টেট অসিনা ফঙফম থোকই হায়বসি ফেক্ট অমনি।

এন ই সিগীদমক্তা এয়র মার্ক তৌবা অপুনবা ফন্দশিং শরুক অনী থোক্লা খায়দোকই। ফন্দশিং অদুগী স্যের চাদা ৩০ দি শোখরবা মফমশিংগীদমক রিজার্ব তৌই অমসুং ফন্দশিং অদুগী চাদা ৬০ না অতৈশিংদা য়েন্থোকই। মীশিংদা য়েংলগা ট্রিপুরাগী স্যের চাদা ১২ নি। ফন্দ চাওনা ফঙননবগীদমক ষ্টেট অসিনা চাওখৎ খোঙথাংশিংগী ইন্দাইসেসতা নীংথিনা পার্ফোম তৌবা মথৌ তাই হায়নসু মিনিষ্টরনা এক্সপ্লেন তৌখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি এন ই সিনা প্রোজেক্টশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ফন্দ পী। ষ্টেট অসিগীদমক ঐখোয়না অচৌবা প্রোজেক্টশিং সেঙ্কসন তৌনবা হোৎনৈ। কমপ্লিসন রিপোর্ট সবমিট তৌবগা অনৌবা প্রোজেক্টশিং অহেনবা ফন্দগী এলোকেসনগা লোয়ননা সেঙ্কসন তৌই।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়খি, এন দি এ গভর্ণমেন্ট লাকপদগী চহী মঙাগী মতমদা বজেটশিং শরুক অনীরোম হেনগৎপদা নত্তনা রোদৱেশিং, এয়রৱেশিং, রেলৱেশিং অমসুং ৱাটরৱেশিংগী খুত্থাংদা লমদম অসিগী কন্নেক্টিভিটিসু ফগৎহল্লে।

বিজেপিনা পৱার পায়রকপদগী অৱাং নোংপোক্কী পোলিটিক্সসু তংদু লৈতারক্তুনা চাওখৎ খোঙথাংশিং লাকহনবদা হেন্না খুদোংচাহল্লে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।




রুপমল ঠিয়েটরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা রুপমলগী ৮০ শুবা এন্নিভর্সরিগা মরী লৈননা ৩১ শুবা মৈত্রম বিরা এৱার্দ ২০২২ লান্থোকখিবা

## শেঙ্গা থুমজা মূত্থৎপদা লৈঙাক খক্তদ ...

*লামায় ১গী মখা...* চাদা ৯০গী চাংদা হন্থরে হায়বা য়ারে। অদুগা চাদা ১৫দগী ১৫ ফাওবগী চাংদা থারিবা অসিসু মরূ ফংনা য়াম্থৎতুনা মূত্থৎনবা এন এ বি অমসুং পুলিসনা অকনবা থৌদাং লৌরি। লৈঙাক্না পোপি পান্বী থাগনু হায়বদা য়াদদুনা থারম্বা থেংনরবদি ফারগা এন আই এ নৎত্রগা এন সী বিদা শিন্নরগনি। মসিগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনসু অকনবা পাউতাক পীরকপা লৈরে হায়খি।

কোভিদকী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়, মমাঙ চহীদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোভিদকী হীদাক পুথোক্তুনা মীয়াম্বু কন্নবা হোৎনখিবা, কোভিদ চৈথেং মরক্তা মপান থোকপা ঙম্নদ্রবা মতমদা চানবা চেঙ পীখিবা অদু ঐখোয়না কাউফম থোক্তে হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গোনা বোর্দ অসিগী মখাদা কান্নবা স্কিম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। স্কিল দিভেলপমেন্টগী প্রোগ্রামশিংসু পায়খৎলি। মতম অমদা বোর্দ অসিদা ঙাইহাক লৈতনা চয়েৎনবা লৈরম্বা অদু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা কন্না হোৎনবদগী লৈত্রে অমসুং বোর্দ অসিনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং মাঙলোমদা চঙশিন্দুনা পায়খৎপা ঙম্লে হায়খি।

থৌরম অসিদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, টি ঐচ বসন্তকুমার অমসুং এম এল এশিংসু শরুক য়াখি। ঙসি য়েন্থোকখিবা বেনিফিটশিংগী মনুংদা এদ্যুকেসনল বেনিফিট ৫০০০, মেদিকেল বেনিফিট ৫০০, নেচরেল দেথকী ৮৭, এক্সিদেন্টেল বেনিফিট ১৬, মেটরনিটি বেনিফিট ১৩ অমসুং দিসএবিলিটি বেনিফিট অমা য়াওনা পূন্না লুপা ক্রোর ৭.৬৮কী শেনফমশিং য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাক্না দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং অমসুং লেবর কম্মিস্নরশিংগী ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি) পোর্টেল লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌরম অসিদা এ দি জি পি অসুটোস কুমার সিনহা, কম্মিস্নর টি রঞ্জিৎ, দি আই জি নিংসেন ৱরঙম, দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং, পুলিসকী এস পিশিং অমসুং লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা শরুক য়াখি।

ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা আই এল পি পোর্টেল অসি হান্না লৈরম্বা আই এল পি সিষ্টমদা অনৌবা মচাকশিং হাপচিল্লবা পোর্টেলশিংনি। থৌরাং অসি ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্ট অমসুং আই এল পি সেলগা লোয়ননা হোম দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা পায়খৎপনি। পোর্টেল অসি লোঞ্চ তৌরিবগী মরমনা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কনগদবনি হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা চঙশিল্লকপনি অমসুং মসিনা মপান্দগী মণিপুরদা চঙলকপা মীওইশিংদা আই এল পিগীদমক এপ্লাই তৌরকপদা হেন্না খুদোং চাহল্লগনি হায়খি।

অহানবদদি আই এল পি অসি মাও গেট, এয়রপোর্ট অমসুং জিরিবামদা মেন্যুএল ওইনা ইস্যু তৌরম্বনি অদুগী মতুংদনা ওনলাইন পোর্টেলগী খুত্থাংদা পীবনি। অদুবু ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা অসিগী মতুংদদি দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং অমসুং লেবর কম্মিস্নরশিংনসু আই এল পি পীবা ঙম্লগনি হায়খি।

মরম অসিনা মপান্দগী লাকপা মীওইশিংনা আই এল পিগীদমক ৱেব পোর্টেল www.manipurilponline.mn.gov.in গী খুত্থাংদা এপ্লাই তৌরকপা য়ারগনি। টেম্পররি পার্মিটশিংনা নুমিৎ ৩০নিগী পীরগা রেগুলর পার্মিটশিংনা থা অহুমগী পীগনি অদুগা লেবর পার্মিটনা চহী অমগী পীগনি হায়খি। মপান্দগী লাকপা মীওইশিংনা পায়গদবা পার্মিটসু পোর্টেল অসিদগী দাউনলোদ তৌবা য়ারগনি হায়খি।

মণিপুরদা চঙলকপা মীওইশিং অয়াম্বনা লেবরশিং ওইবনা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংদসু লেবর পার্মিট পীবগী অয়াবা পীরে হায়খিবগা লোয়ননা আই এল পি এপ্লাই তৌনবগী এপ্লিকেসনশিং গুগল প্লে ষ্টোরদগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি হায়খি।

লোয়ননা ম্যান্মারদগী লোগী ৱাংমদা চঙলক্লগা চুড়াচান্দপুরদা লোৎতুনা লৈরম্বা মীওই ৮৪ হৌজিক ফাদুনা থল্লি হায়বা ৱাফমসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মমাঙ থাগী ১০দা অশাবা আই এল পি ফাবদা মসিবু ইস্যু তৌরম্বা মীওই অনী ফাগৎখি। মখোয় অদুদি প্রভির পাল (৮৩), ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি য়াইরিপোক্তগী নাসির আলি (২৮) নি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্টকী দি সীগী অশাবা আই এল পি পার্মিট তৌরম্বা মীওই অনীসু হৈঙাং পুলিসনা ফাগৎখি। মখোয়না অশাবা পার্মিট ১৫ রোম ইস্যু তৌরম্বনি। অদুগা পার্মিট অমদা লুপা লিশীং ১/১ লৌরম্বনি। অতোপ্পা মীওই ১২সু অরানবা থবক অসিগা মরী লৈননা ফাননবা থিরি। মণিপুরদা লৈবা চহী ৪০ ফারক্লবা এম দি সকিবুল অপোকপা লৈখিদ্রবা মহাবুল কৌবা বাংলাদেসি নেসনল অমসু মমাঙ থাগী ১৭তা ককচীং পুলিসনা ফাগৎখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পার্মিট অসিদা বার কোদ অমসু হাপ্পগা লোয়ননা পার্মিট পায়গদবা মীওইশিংগী মশক মমিং স্কেন তৌরগা খঙদোকপা ঙম্লগনি। সিষ্টম অসিগী মতুংইন্না দুপ্লিকেট অমসুং শেমজিন শাজিনবা আই এল পিশিং চ্যেক তৌবা ঙম্লগনি হায়খি। লোয়ননা অথুবা মতমদা আই এল পি পায়বা মীওইশিংগী মশক খঙদোকপা ঙম্নবগী সিষ্টম অমসু হৌদোক্লগনি হায়খি।

অতোপ্পা মহাক্কী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদনা দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) না ফোঙবা মথং চহী ২০২৩গী ৱাল কেলেন্দর অমসুং দাইরিসু চীফ মিনিষ্টরনা রিলিজ তৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা চহী লাকপদা বন্দ/ব্লোকেদ লৈতবগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা চহী অমা ওইরসনু হায়খি।

## ‘কোভিদকী মতাংদা মীপায়নিংঙাই ওইদে’

শিল্লোং, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সি):

হৌজিক কোভিদ লায়না লাইচৎ অসিগী ফিভম কন্ট্রোল তৌদুনা লৈ অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না মীপায়নিংঙাই ওইদে হায়না মেঘালয়াগী সিএম কোনরাদ কে সংমানা ফোঙদোকখ্রে।

কোভিদ লাইচৎকী মতাংদা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু মীটিং অমা লোইরবা মতুংদা সিএমনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। লায়না অসি দিটেক তৌননবা টেষ্টিংগী থবক মফম কয়াদা লেপ্তুনা চত্থরি হায়না পল্লদুনা সিএমনা হায়খি, মদুদি লায়না লাইচৎ অসিগী মতাংদা মীয়াম্না করিসু মীপায়নিংঙাই ওইদে। গভর্ণমেন্টনা মসি মোনিটর তৌগনি।

কুম্মৈ হরাওগী সিজন লাকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা য়ারিবমখৈ মফম খুদিংমক্তা মাস্ক শীজিন্নবা পাউতাক পীখি।

চৈরকসিদা হেল্থ দিপার্টমেন্টগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ইন চার্জনা হায়খ্রে, মদুদি মেঘালয়াদা ওমিক্রোন সব-ভেরিয়েন্ট বিএ.৭ য়াওনা কোভিদ পোজিটিব কেসশিংগী জেনোম সিক্বেন্সশিং পাঙথোক্লবগী মশাগী লেবোরেটরি লৈজে। প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা মখা তারদুনা পোজিটিব কেসশিং জেনোম সিক্বেন্সশিং চত্থনবা সেম্পল লৌই। লাইবক ফবদগী ষ্টেট অসিদা কোভিদকী অনৌবা কেস মশিং য়াম্না থেংনদে। চাইনা, জপান, সাউথ কোরিয়া, ফ্রান্স অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোভিদকী কেসশিং ৱাংখৎলকপনা ষ্টেট অসিনা লায়না লাইচৎ অসিগীদমক্তা শেম শাবগী থবকসু কনশিল্লক্লি।

## এক্সিদেন্টগী অৱাবা ফোঙদোক্তুনা...

*লামায় ১গী মখা...*অমদা থম্বালনু হায়র সেকেন্দরি ষ্টদি টুর বস এক্সিদেন্ট রিলিফ ফন্দ কম্মিটিদা লেপ্তুনা মতেং পাংনরক্লি হায়রি।

তেংবাঙবীরকপশিংদি ষ্টেন্দর্দ কোলেজ ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন, কোলেজ অসিগী টিচিং অমসুং নন টিচিং ষ্টাফ - ২৬,০০০; উরিপোক্তগী পি ঐচ ই দিগী এ ঈৱাই মেঘচন্দ্র লুপা ৫,০০০; কাংপোকপীদগী সোসিং কৈসিং লুপা ১,৫০০; মণিপুর কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমসুং প্রিন্সিপাল লুপা ৪০,০৫০; নৈলিট অকাম্পাৎকী বি সী এ অহানবা সেমিষ্টরগী মহৈরোয়শিং লুপা ৩,৪০০; ২০২২-২৩ বেটচকী শিজ একাদেমি ওফ হেল্থ সাইন্সেসকী এম বি বি এস মহৈরোয়শিং লুপা ২২,০০০; ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুয়িন লুপা ২০,০০০ অমসুং দ্রুব তরা মল্টিপর্পজ কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদ, টোপ চিংথা ক্লষ্টর (থম্বালনু) লুপা ১,০০,০০০নি হায়রি।

## নিংথৌজম ইকেন্দ্রদা ৩১ শুবা...

*লামায় ১গী মখা...* লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা কম্মিস্নর এম জোয়না ফোঙদোকখিবদা, ঙসি মৈত্রম বিরা এৱার্দ ফংলিবা ওজা নিংথৌজম ইকেন্দ্র অফবা খুন্নাই অমা শেম্নবা অমদি তুংগী মীরোলগীদমক মচাং থোকপা তিঞ্জং কায়জংদবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবা ওজানি। মহাক মশামকসু ওজা অসিনা তাপী তন্বীরকখি। অদুবু ওজা ইকেন্দ্রনা হকচাংগী ফিভম কা হেন্না শেকচিনখিনখিবা অসি লাইবক থিবনি। মহাক্না হোৎনরম্বা কয়া অদুবু ঐখোয়না মতুং ইন্দুনা চৎনবা হোৎনসি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ২২ শুবা রুপমল অর্টিষ্ট মেমোরিয়ল দ্রামা ফেষ্টিবেল ২০২২০২০২৩সু হৌদোকখি।

## পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎখ্রে, পোপি...

*লামায় ১গী মখা...*অসি চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা চুড়াচান্দপুরগী থিংহাংজাং খুলগী একর ৬৫ রোমদা পোপি পান্বী থারম্বগীদমক খুল অসিগী চীফ কামসৈ হাওকিপ (৪৮) অপোকপা ওরথাং ফারে হায়রি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকীসু সেলসি খুলদা একর ৩০ রোমদা পোপি পান্বীশিং থারম্বদগী য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে। লোয়ননা পোপি পান্বী থাবদা শীজিন্নবা লৌশঙ তরেৎসু মৈ থাদোকখ্রে হায়রি। লৌশঙশিং অসিদা থুম পেকেটশিং অমসুং ফর্টিলাইজরশিংসু থল্লম্মী হায়রি। অদুগা উখুল দিষ্ট্রিক্টতনা তুঙৌ, চমফুং অমদি তোরা এরিয়াগী একর ৮০ রোমদা পোপি পান্বীশিং থারম্বদগী য়াম্থৎখি। ঙসি চত্থখিবা দ্রাইভশিং অসিদা আই আর বি, পুলিস, এন এ বি, এম আর অমসুং পাঙ্গৈদা ত্রেনিং তৌরিবা কন্সটেবলশিং ফাওবা শরুক য়াখি হায়রি।

## লৈশেম্বা সনাজাওবনা এস দি আর এফ...

*লামায় ১গী মখা...*এফ অমদি এস দি আর এফকী মরক্তা লৈরিবা কোওর্দিনেসনগী মতাংদসু মিনিষ্টরনা পল্লদুনা হীরম অসিগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী ষ্টেকহোল্ডরশিংগা পূন্না মীফম পাঙথোকই লোয়ননা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকই হায়খি।

এন দি আর এফনা দিজাষ্টর থোক্লে হায়বগী পাউ পীরকপদা থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুদা মিনট ৩দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা মথৌ তাবা থৌরাংশিংগা লোয়ননা য়ৌশিন্নবা হোৎনৈ। মসিগী মতাংদা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংবু অখন্নবা মফম ওইনা লৌরি। ঈশিং ঈচাও নৎত্রগা লেন্দস্লাইদ থোরকপা ওইরবসু দিজাষ্টর রিজনদা থোকপা থৌদোক খুদিংমক হোম মিনিষ্ট্রিনা য়াম্না থৱায় য়াওনা মায়োক্নবা হোৎনরি হায়বগা লোয়ননা ফাইনানিসএল মেনেজমেন্ট তৌরদুনা লোজিষ্টিক সপোর্ট পীরি অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংবু য়াম্না মরু ওইনা অখন্ননা লৌই হায়নসু হাওসতা ফোঙদোকখি।

## CROSSWORD-3741



### ACROSS

1 Snug (4)
3 Disadvantage (8)
9 Shoe material (7)
10 Cash registers (5)
11 Root vegetable (5)
12 Aviators (6)
14 Well-nigh (6)
16 European country (6)
19 Shining (6)
21 Male duck (5)
24 Hatred (5)
25 Against the law (7)
26 Thick treacle (8)
27 Clothed (4)

### DOWN

1 Enormous (8)
2 Roof material (5)
4 Overseas (6)
5 Discourage (5)
6 Place of learning (7)
4 Mail (4)
8 Drinker's toast (6)
13 Disclosed (8)
15 Warlike (7)
17 Puzzling question (6)
18 Conflict (6)
20 Pastimes (5)
22 Supernatural being (5)
23 Shape (4)

Solution 3740




SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5039

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | 9 | 2 | | | | 7 | |
| | | | | 4 | | | | 8 |
| 4 | | 6 | | | 8 | | | |
| 3 | | 1 | | 6 | | | | 5 |
| | 4 | | | | | | 2 | |
| 5 | | | | 3 | | 1 | | 6 |
| | | | 7 | | | 4 | | 1 |
| 9 | | | | 8 | | | | |
| | 3 | | | | 5 | 9 | 6 | |

### Solution-5038

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 1 | 3 | 9 | 6 | 8 | 4 | 5 | 7 |
| 6 | 5 | 4 | 1 | 2 | 7 | 8 | 9 | 3 |
| 9 | 8 | 7 | 3 | 4 | 5 | 1 | 2 | 6 |
| 7 | 4 | 8 | 5 | 1 | 2 | 3 | 6 | 9 |
| 5 | 6 | 9 | 7 | 8 | 3 | 2 | 4 | 1 |
| 1 | 3 | 2 | 6 | 9 | 4 | 5 | 7 | 8 |
| 4 | 9 | 6 | 2 | 3 | 1 | 7 | 8 | 5 |
| 3 | 2 | 5 | 8 | 7 | 6 | 9 | 1 | 4 |
| 8 | 7 | 1 | 4 | 5 | 9 | 6 | 3 | 2 |

## EMPLOYMENT NEWS

### IIT GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR ASSISTANT PROFESSOR, MORE VACANCIES

Indian Institute of Technology Guwahati Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies Recruitment 2022: Advertisement for the post of Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies in Indian Institute of Technology Guwahati. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 31 January 2023. Candidates can check the latest Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment 2022 Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies Vacancy 2022 details and apply online at the www.iitg.ac.in/ recruitment 2022 page.

Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.iitg.ac.in/. Indian Institute of Technology Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.iitg.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.

Vacancy Circular No:
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati) invites applications for recruitment of Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies
Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies
Job Location:
Indian Institute of Technology, Guwahati, 781039 Assam
Company Indian Institute of Technology Guwahati
Job Role Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies
Education Requirement M.Phil, Ph.D
Total Vacancy Various Post
Job Locations Guwahati
Experience 3 - 15 years
Salary Not Disclosed
Posted on 19 Dec, 2022
Last Date To Apply 31-01-2023
Educational Qualification: M.Phil/Ph.D
Skills / Eligibility
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on a written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies in IIT Guwahati.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for IIT Guwahati Recruitment 2022 must complete the application process before 31/01/2023. Here we have attached the complete procedure to apply for the IIT Guwahati Recruitment 2022 along with the application link.
Step 1: Go to the IIT Guwahati official website iitg.ac.in
Step 2: In the official site, look out for IIT Guwahati Recruitment 2022 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Assistant Professor, Associate Professor, More Vacancies, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the IIT Guwahati Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 22 December 2022
Last date for application is: 31 January 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### INDIAN ARMY INVITES APPLICATION FOR STENO GRADE-II RECRUITMENT 2022

The Indian Army Steno Grade II Recruitment 2022: Advertisement for the post of Steno Grade II in The Indian Army. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 09 January 2023. Candidates can check the latest The Indian Army Recruitment 2022 Steno Grade II Vacancy 2022 details and apply online at the indianarmy.nic.in/ recruitment 2022 page. The Indian Army Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ indianarmy.nic.in/. The Indian Army selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed in Delhi. More details of indianarmy.nic.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.

Vacancy Circular No:
Indian Army
invites applications for recruitment of Steno Grade-II
Steno Grade-II
Education Requirement 12TH
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Jorhat
Experience Fresher
Salary 25500 - 81100(Per Month)
Educational Qualification: 12TH
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 25500 - 81100(Per Month)
Age Limit: 18-27 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Steno Grade II in Indian Army.
How to Apply:
Candidates who wish to apply for Indian Army Recruitment 2022 must complete the application process before 09/01/2023. Here we have attached the complete procedure to apply for the Indian Army Recruitment 2022 along with the application link.
Step 1: Go to the Indian Army official website indianarmy.nic.in
Step 2: In the official site, look out for Indian Army Recruitment 2022 notification
Step 3: Select the respective post and make sure to read all the details about the Steno Grade II, qualifications, job location, and others
Step 4: Check the mode of application and apply for the Indian Army Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 21 December 2022
Last date for application is: 09 January 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

